# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, MARCH 19, 2020 **PAGE 7**





*সুট্টিং ওলেম্পিক সেলেক্সন ট্রাইয়েলগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা মকোক থোংবা ঙমখ্রবী অন্নু রাজ সিংহ*

*ওলেম্পিক সুট্টিং সেলেক্সন ট্রাইয়েলগী নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি-পোজিসন্দদা মকোক ওইখ্রবা আইশ্বারি প্রতাপ সিংহ টোমর*



## ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে : জপান

*টোকিও, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*




কোভিদ-১৯ না মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা অসিনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবসু টোকিও ওলেম্পিক গেমস হান্না লেপখিবা মতম অদুদগী য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না জপানাগী লৈঙাক্কী টোপ স্পোক্সপার্সন অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরী য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিনা চহী অসিগী জুলাই ২৪ দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা পাঙথোক্কবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা চৎমিন্নরি।

লোমেক্কর অমনা জপানগী পার্লিয়ামেন্টতা ইভেন্ট লৈঙাক্না য়ৈথোকপগী থৌরাং লৈবরা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিনা ইভেন্ট অসি য়ৈথোকপগী ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়খি।

য়াম্না থুনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ লৈরগসু গেমস অসি হান্না লেপখিবা সেদ্যুলগী মতুং ইন্না পাঙথোক্নবা শেম শারি হায়না সুগানা মহাক্কী ওইবা ৱাফম থমখি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বদা ফানান্সিয়েল মার্কেট, ব্যুজিনেস অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিটিজ কয়াদা চাওনা চৈথেং পীদুনা লাক্লি।

পনবা য়াই, জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা মমাঙদা ফোঙথোকখিবদা মালেমগী লৈবাক ৭ কী লুচিংবশিংনা ওলেম্পিক গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা চাওনা সম্পোর্ট তৌরি। অদুবু মালেমগী অতোপ্পা লিদর খরনদি গেমস অসি য়ৈথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবরা হায়না হংনরকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবা মীফমদা লায়চৎ অসিগী রিজল্টতা অফবা ফিভম লাক্লবদি টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতমদা শোয়দনা পাঙথোক্নবা খন্নখিবনি।

পার্টগী চেনেল অমদা পাঙথোকপা পোলগী মতুং ইন্নদি জপানগী ফার্ম অয়াম্বনা টোকিও গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতমদা পাঙথোকপা পাল্লি। অদুবু শরুক অহুম থোকপগী অনীনদি ইপিদেমিক অসিনা গেমস অসি করিগুম্বা তোকখ্রবদি দোমেষ্টিক ইকোনোমীদা অচৌবা চৈথেং অমদি পীরগনি হায়রি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা জপান লৈবাকসু শোকহল্লিবনি। সম্মর ওলেম্পিক গেমস অসি হান্না লেপ্নখিবা মতমদা পাঙথোকপা তারগসু অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মখোয়গী এঠলেটশিং থারক্ত্রবদি মপুং ফাবা অমদি ওইররোই হায়না জপানগী দিপ্যুতি প্রাইম মিনিষ্টর টারো আসোনা ফোঙদোকখি।

ওলেম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপগী অপাম্বা লৈরগসু এনভাইরোমেন্ট অসিনা মীয়াম্বু তেক্ত-কায়দনা অমসুং নুংঙাইনা লৈহনবগী মথৌ তাই। মসি পূন্নমক অসি গেমস অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা জপান মথন্তনা লেপ্পা য়ারোই হায়না জপানগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা টারো আসোনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

## চেন্নাই সিটিনা এ এফ সি কপকী এপ্রিলদা শান্নগদবা মেটচশিং কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*



ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট হেরো আই লীগকী ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সিনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মালদিপ্সকী ক্লব টি সি স্পোর্টস অমসুং বাংলাদেশকী ক্লব বাসুন্ধারা কিংসকা শান্নগদবা মেটচশিং হৌজিক ওইরক্লিবা কেরোনাভাইরসকী লায়চৎনা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। য়ৈথোকখ্রবা মেটচশিং অসিগী অনৌবা মতম কোন্না লাওথোরক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

চেন্নাই সিটি এফ সি কুমজা ২০১৮-১৯ দা আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইদুনা এসিয়ানগী অনীশুবা টায়র ক্লব কম্পিটিসন এ এফ সি কপ অসিদা ক্বালিফাইদ ওইরকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'ই' গী মেটচ ওইনা মালেনা এপ্রিল ১৫ দা মালদিপ্সকী ক্লব টি সি স্পোর্টসকা শান্নগদবনি। মসিগী মতুংদা বাংলাদেশকী ক্লব বাসুন্ধারা কিংসকা এপ্রিল ২৯ দা শান্নগদবনি। অদুবু কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মেটচশিং অসি য়ৈথোকখিবনি।

কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা খোঙথাং অমা ওইনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা গভর্ণমেন্টশিংনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোই য়াওনা অতোপ্পা মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রবনি। মরম অসিনা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এ এফ সি) না এ এফ সি কপ ২০২০ গী মেটচশিং অসি য়ৈথোকখিবনি হায়না এ এফ সিনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা মখা তারক্লি।

নীংশিংবা য়াই, এ এফ সিনা মাচ১২ দা শান্নগদবা এ এফ সি কপ ৱেষ্ট জোন গ্রুপ ষ্টেজ মেটচশিংসু মাঙজৌননা য়ৈথোকখ্রবনি। মসিদা নত্তনা এ এফ সিগী জোন ৫ দা পাঙথোক্কদবা মেটচশিংসু লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াই, চেন্নাই সিটি এফ সিনা থা অসিগী ১১ দা চেন্নাইদা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচকী অহানবা মেটচতা মালদিপ্সকী ক্লব মাজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রেসনগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

এ এফ সিনা ২০২০ এ এফ সি কপ সিজন অসিগীদমক কোরোনাভাইরস লায়চৎকী মতাং দা কুপ্না য়েংশিল্লি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিং অমসুং মখোয়গী মেম্বরশিংবু তেক্ত-কায়দনা লৈহন্নবগী পান্দমদা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ মেটচশিং অসি য়ৈথোকপনি হায়না এ এফ সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সিসু এ এফ সি কপ ২০২০গী গ্রুপ ষ্টেজতা শরুক য়াখিবনি। অদুবু বেঙ্গালুরু এফ সি এ এফ সি কপ অসিগী লেগ অনী লৈবা প্লে ওফ মালদিপ্সকী ক্লব মাজিয়াগী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

## 'য়ুরোপিয়ান কম্পিটিসনশিং য়ৈথোকখিবদগী ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগীদমক ৱারি: দুতি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*



কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা য়ুরোপ্তা পাঙথোক্কদবা এঠলেটিক কম্পিটিসনশিং মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবদগী ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন্দা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে হায়না ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবী নুপী এঠলেট দুতি চান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী এঠলেট দুতি চান্দ মাচ২ দা জর্মনিদা চৎতুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্টতা শরুক য়াগদবনি। অদুবু কোরোনাভাইরসকী ইপিসেন্দর ওইরকপদগী ফিভমদা লৈরিবা য়ুরোপ্তা চৎপগী ভিসা অমসুং স্পোন্সরসিপ ফংবদা খুদোংচাদবদগী ওলেম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

জর্মনিদা মাচ ২ দা চৎকদবা খোঙচৎ অদু দুতি চান্দগী ওইনদি ট্রেনিং কপ কম্পিটিসন ষ্ট্রিন্ট অমনি। ঐহাক্না য়ুরোপকী ক্বালিটি কম্পিটিসনশিং অদুদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্সশিংনা টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফাইদ ওইবদা চাওনা মতেং পাঙগনি থাজখিবনি। অদুবু ঐহাক্কী প্লান অদু কেরোনাভাইরস লায়চৎনা অরেম্বা তাহল্লে হায়না দুতি চান্দনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঐহাক্না ভিসা অমসুং অতোপ্পা চৎথোক-চৎশিনগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা চে-চাংশিং ফংলম্বা তারবদি জর্মনি শোয়দনা চৎলমগনি হায়না দুতি চান্দনা মখা তাখি। দুতি চান্দনা পি টি আইদা ফোঙদোকখিবদা ইরাই নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রিগী অহানবা লেগ অসিদা মহাক শরুক য়াগনি।

দুতি চান্দনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা ক্বালিফাইদ ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। দুতি চান্দ ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা নুপীগী মিটর ১০০ অমসুং ২০০ সিলভর মেডল অমমম ফংবা ঙমখিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐহাক ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইদ ওইগদ্রা হায়বদা অৱাবা অমা ওইরে হায়খি। টোকিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসন মার্ক অসি মিটর ১০০ দা ১১.১৫ সেকেন্দ ওইরিবনি।

## ওলেম্পিক ফ্লেম লৌনবা প্লেন জপান থাদোকখ্রে

*টোকিও, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী ফ্লেম লৌনবা জপানগী প্লেন টোকিও থাদোক্কুনা গ্রিসকী কোনুং এঠেন্স পাঙখ্রে। ফ্লেম লৌবগী খোঙচৎ অদুদা দেলিগেসন অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

জপানগী স্পোর্টিং টোকিও ২০২০ থাবা প্লেন অদু ঙসি হানেদা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী এঠেন্স তম্না পায়রগা ওলেম্পিক ফ্লেম অদু লৌরুগদবনি। কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা ফ্লেম লৌবগী খোঙচৎ অদুদা দেলিগেসন অমত্তা য়াওখিদে হায়না পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রিসতা চৎতুনা ফ্লেম লৌবদা দেলিগেসন য়াওগদবশিং অদুদি টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরি অমসুং ওলেম্পিক্স মিনিষ্টর সৈকো হাসিমোটোনি। অদুবু মখোয় কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়াওখিদবনি হায়রি।

## বি সি সি আইনা আই পি এল য়ৈথোকপা মতাং চাই

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ য়ৈথোকপা য়াম্না মতাং চারবনি হায়না ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি ক্রিকেট্টর সুনিল গবাস্করনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মালেমদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা আই পি এল য়ৈথোকপা হায়বসি মতাং চারবনি। মসিনা শান্নরোইশিং অমসুং মীয়াম্বু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না সুনিল গবাস্করনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রাথি,জানানি আইসিসিগী অম্পয়ার পেনেলদা য়াওখ্রে

*মুম্বাই, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ভ্রিন্দা রাথি অমসুং এন জাননি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী দিভলপমেন্ট পেনেল ওফ অম্পয়ার্সতা য়াওবা ঙম্লে হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

আই সি সিনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা মুম্বাইগী ভ্রিন্দা রাথি তামিল নাদুগী এন জাননিবু আই সি সি দিভলপমেন্ট পেনেলগী অম্পয়ার পেনেলদা হাপচিনখিবনি।

মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না ভ্রিন্দা রাথি (মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিসেন) অমসুং এস জাননি (তামিল নাদু ক্রিকেট এসোসিয়েসন) বু আই সি সিগী দিভলপমেন্ট পেনেল অম্পয়ার ওইনা খল্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

আই সি সিনা খল্লকখ্রবা ইন্দিয়াগী অম্পয়ার অনীমক বি সি সি আইগী ওফিসিয়েলদা থারকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লকখিবনি।

ভ্রিন্দা রাথি স্কোরর অমা ওইনা কেরিয়র হৌরক্লবা মতুং অম্পয়ার ওইরকখিবনি। মহাক্না টি-২০ মুম্বাই লীগকী অম্পয়ার ওইখ্রবা মীওই অমনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৬১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | V | S | | A | I | S | L | E | | S | P | A | T |
| A | L | E | C | | C | R | I | E | R | | T | I | L | E |
| D | I | N | E | | T | E | R | M | I | N | A | T | O | R |
| A | T | O | N | E | | | L | O | C | O | | T | E | N |
| R | E | M | I | T | | B | O | N | S | A | I | | | |
| | | | C | H | I | L | I | | | H | O | R | S | E |
| F | R | O | | A | R | E | N | A | S | | N | E | I | L |
| R | O | M | A | N | I | A | | R | U | S | S | E | L | L |
| A | P | E | X | | S | T | R | I | P | E | | D | O | S |
| T | E | N | E | T | | | O | A | S | E | S | | | |
| | | | L | A | S | S | O | S | | P | A | P | A | S |
| A | D | O | | G | A | L | S | | | S | L | A | N | T |
| L | E | G | I | S | L | A | T | O | R | | I | N | T | O |
| S | A | L | T | | E | V | E | R | Y | | N | E | E | R |
| O | R | E | S | | M | E | R | G | E | | E | L | S | E |



SL/5983/19

MANIPUR CRICKET ASSOCIATION

Luwangsangbam, Imphal East, Manipur

**CONDOLENCE**

Dated 18/03/2020



Manipur Cricket Association (MNCA) deeply condoles the sad demise of Shri Haobam Biramangol Singh, who was at the helm of the Association as its Honorary Secretary for more than a decade and a half. He was not only an able administrator but had in-depth knowledge of the nuances and intricacies of this beautiful game of Cricket. His contribution towards the development of modern cricket in the State shall always be remembered with awe and reverence. His untimely demise shall remain a big void in the cricketing fraternity.

MNCA Executive Members and Staff along with members of eight teams participating in the inaugural matches of the 5th MNCA Plate Tournament 2019-20 Season at four venues observed two minutes silence in memory of the departed soul. As a mark of respect, MNCA Flags at the tournament venues were flown half-mast. MNCA share the grief and sorrow of the family members of the departed soul and pray the Almighty to bless them the strength to bear the irreplaceable loss.


## *ওলেম্পিক সেলেক্সন ট্রাইয়েল:* সৌরভ চৌধারিনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা পোইন্ট ৫৮৮ ফংদুনা মকোক ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*



ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চথরিবা ওলেম্পিক সেলেক্সন ট্রাইয়েলসতা সৌরভ চৌধারিনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা পোইন্ট ৫৮৮ স্কোর তৌদুনা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

সুট্টিং ওলেম্পিক সেলেক্সন ট্রাইয়েলস অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা কুমজা ২০১৮ গী এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ৫৮৮ স্কোর তৌদুনা মকোক ওইখি।

ইভেন্ট অসিদা অভিসেক ভর্মনা পোইন্ট ৫৮৫ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি অদুগা ধরমেন্দ্র সিংহনা পোইন্ট ৫৭৯ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা ওম প্রকাস মিথরভালনা পোইন্ট ৫৭৭ স্কোর তৌদুনা ৪শুবা পোজিসন অদুগা গৌরব রানানা পোইন্ট ৫৭৬ স্কোর তৌরগা ৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী কম্পিটিসন্দা আস্বারি প্রতাপ সিংহ টোমরনা পোইন্ট ১১৭৮ স্কোর তৌবা ঙমদুনা মহাক্না খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা সঞ্জিব রাজপুটতগী পোইন্ট ৯ হেন্দুনা মকোক ওইখি। সঞ্জিব রাজপুটনা পোইন্ট ১১৬৯ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন ফংলগা চেন সিংহনা পোইন্ট ১১৬৯ দা সঞ্জিব রাজপুটকা পোইন্ট মান্নরবসু মমাঙগী রাউন্দদা খরা শোত্থখিবদগী অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ওলেম্পিক সেলেক্সন ট্রাইয়েলস অসিগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন্দা অন্নু রাজ সিংহনা পোইন্ট ৫৭৯ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল অসিগী কম্পিটিসন্দা ইসা সিংহনা পোইন্ট ৫৭৮ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা মনু ভাকরনা পোইন্ট ৫৭৪ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী য়াসাস্বিনি দেসৱালনা পোইন্ট ৫৭০ স্কোর তৌদুনা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৫৭৯ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখি। টেজাস্বিনি সাৱন্টনা পোইন্ট ১১৭০ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা আয়ুসি পোদ্দরনা পোইন্ট ১১৬৮ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি।

মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা ইন্দিয়াগী সুট্টর আইস্বারি প্রতাপ সিংহ টোমর, অঞ্জুম মোদগিল, টেজাস্বিনি সাৱন্ট অমসুং সঞ্জিভ রাজপুট ওলেম্পিক কোটা ফংখ্রবনি।

## ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা ওলেম্পিক কোটা ফংনবা হোৎনরি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা টোকিও ওলেম্পিক কোটা অথুবা মতমদা ফংনবা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী নেসনেল লোং জম্প রেকোর্দ হোল্ডরএম স্রিসঙ্করসু ইরাই নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সিজন অসিগী অহানবা ইন্দিয়াগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড কম্পিটিসন ওইরিবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রিদা শরুক য়াদুনা মশাগী পার্ফোমেন্স হেনগৎনবা হোৎনগদৌরি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু টুর্নামেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী কম্পিটিসন অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি অসি মীয়াম য়েংহন্দনা পাঙথোক্নবা লেপখিবনি।

পটিয়ালাদা ইরাই নুমিৎতগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা লৈবাক অসিগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড কম্পিটিসন ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রিদা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা শরুক য়াদুনা মখোয়গী অহেনবা পার্ফোমেন্স তালহৌনবগী খুদোংচাবা অমসু চাওনা পীরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## ফেদ কপ য়ৈথোকপা য়ানা লৈরে

*কোচি, মার্চ ১৮ (এজেন্সি)ঃ* মালেমগী লৈবাক কয়াদা অকিবা পোকহল্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা ফেদ কপ য়ৈথোকপা য়ানা লৈরে হায়না পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। নন-নেসনেল কেম্পরশিং ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি অমসুং ফেদ কপ্তা য়াওহনগদ্রা হায়বগী চপ চাবা ৱাফমসু লৈতে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।


**In the Court of SDC/Salam**

*Ref. :- Mutation Case No. 65/SDC/IW(S) Dated 7/3/2020*

1. Oinam Ingocha Singh S/o (L) Bishambhor Singh of Khumbong Awang Leikai
2. -do- Dilipkumar Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Sarat Singh S/o (L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Oinam Bishambhor Singh S/o (L) Tomcha Singh of Khumbong

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 18th March, 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Oinam Bishambhor Singh পীং মৃঃ Oinam Tomcha Singh সাং Khumbong গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 78- Ngairangbam গী অনৌবা পাট্টা নং 81 (N) দাগ নং 272 অমসুং এরিয়া 1.55 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/5974(2)/19



**In the Court of SDC/Salam**

*Ref. :- Mutation Case No. 64/SDC/IW(S) Dated 7/3/2020*

Konsam Roma Devi W/o Longjam Romi Singh Sagolband Heinoupok Maning Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Konsam Irabot Singh S/o (L) Mani Singh of Sagolband Tera Tongbram Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 18th March, 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Konsam Irabot Singh পীং মৃঃ Konsam Mani Singh সাং Sagolband Tera Tongbram Leikai গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 76- Salam Keikhu গী অনৌবা পাট্টা নং 32/774 (N) দাগ নং 361/556 অমসুং এরিয়া 0.10 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/5974(1)/19